মণিপুর গভর্নমেন্ট

মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী লাঃ গনেসন না

মার্চ ২৪, ২০২২ দা

মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লীদা
পীবা

ৱারোল

মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী লাঃ গনেসন না

মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লীদা
পীবা

## ৱারোল

ইকাইখুম্নজরিবা স্পীকর অমদি ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং,

১. ঐহাক্না পূন্নমকপু ১২শুবা মণিপুর লেজিস্লেলটিভ এসেমব্লিগী অহানবা সেসন অসিদা তরাম্না ওকচরি।

২. ঐহাক্না তাইবং শেন্বা মপূবু হন্দক্কী মীখল অদুবু ইং–চিক্না পাঙথোকপা ঙমহন্নবা থৌজাল পীনবিবগীদমক্তা থাগৎচরি লোয়ননা মণিপুরগী মীয়ামবু চাদা ৮৯গী চাংদা থোক্লক্তুনা মখোয়গী ভোৎ থাদবগী অধিকার অদু শীজিন্নখিবগীদমকসু থাগৎচরি। ঐহাক্না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবুসু মথৌ ফজনা পাঙথোকখিবগীদমক্তা থাগৎচরি।

৩. ঐহাক্না অমুকসু, মীয়ামগী রাই ফংদুনা মীখলদা মায় পাক্লক্লবা আগষ্ট হাউস অসিগী মেম্বর পূন্নমক্কী মফমদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী খুদোংচাবা অদু লৌজরি। মীয়াম্না পীরকপা রাই অদু খূৎশিন্নরক্লবা নখোয়গী থৌদাংশিং অদু নীংথিনা পাঙথোক্লবগীদমক নখোয় পূন্নমক্কী মফমদা ঐহাক্না য়াইফ মঙ্গোল পীজরি। নখোয় অমমম্না অমসুং পুল্লপ পুনশিন্নদুনা ভারত সম্বিধানগী অথোইবা ভেল্যুশিংগী থাক হেন্না ৱাংখৎহনগনি হায়বসি ঐহাক্কী থাজবনি।

## কোভিদ–১৯ লাইচৎ অমদি হকশেলগী থবক

৪. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, হৌখিবা চহীদা লৈখিবা লাইচৎকী খুদোংথীবশিং অদু হৌজিকসু মখা চৎথরি। অদুমওইনমক, কোভিদ–১৯ ঙাকথোক্লবা টিকা থাবগী থবক য়াঙশিন্নবা লৈঙাক্লা ইচঙ থৌনা লৌখৎখিবা থৌরাংশিং অদুনা মতম শাংনা ইকনমিগী থোঙ লোল্লুবা অদু হাংদোকহনবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমুক খুমাং চাওশিনহনবা ঙমহল্লে।

৫. লাইচৎ অসিগী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা, মেদিকেল ওক্সিজেনগী দিমাণ্ড য়াম্না হেনগৎখি। ‘দি’ টাইপ ওক্সিজেন সিলিণ্ডরগী ষ্টোক শুপ্পতংগী ২৫ লৈরম্বা থা অনীগী মনুংদা ৬,৩২৮দা হেনগৎখি। হৌখিবা চহী অমখক্তদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা পিঃএসঃএ ওক্সিজেন

জেনরেসন প্লান্ট ২৪ (কুনমরি) কম্মিসন তৌখি। জেনিমসতা কিলোলিটর ১০গী অমসুং পোরোমপাৎ ভেটিরিনরি কমপ্লেক্সতা কিলোলিটর ২০গী লিক্বিদ মেদিকেল ওক্সিজেন ষ্টোরেজ প্লান্ট কম্মিসন তৌখি। কিলোলিটর ২০গী অহুমশুবা এলঃএমঃও প্লান্ট অমসু কোভিদ হোস্পিটাল ক্যামগৈদা কম্মিসন তৌনবা হোৎনরি। ভেন্টিলেটর ৪৮০, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৩,১৪৫ অমসুং পলস ওক্সিমিটর ২০,০০০ রোম শীজিন্নখি।

৬. হোস্পিটালশিং অমসুং কোভিদ ক্যার সেন্তর ২৯দা ফমুং ৪৬৫১ অমদি আইঃসিঃইউ ফমুং ২০৯ শেমগৎখি। লুপা কোটি ৩৬.৮ চঙবা ফমুং ২০০ লৈবা কোভিদ হোস্পিটাল অমা শঙ্গাখি। হোম আইসোলেসন ফেসিলিটিশিংদসু হিদাক-লাংথক অমদি পলস ওক্সিমিটরশিং পীখি। যুম যুমদা হোম আইসোলেসন তৌবগী খুদোংচাবা মতিক চানা লৈতবা মীওইশিংগীদমক্তা কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্তরশিং শেমগৎখি।

৭. হৌখিবা চহী অমসিদা কোভিদ টেষ্টিং লাখ ১০ হেন্না তৌখি। গর্ভনমেন্ট মেদিকেল কলেজ অনী অমদি প্রাইভেট ফেসিলিটি ৪ দা পূন্না আরঃটিঃ-পিঃসিঃআর টেষ্টিং মেছিন ৬ খিন্দুনা নোংমদা আরঃটিঃ-পিঃসিঃআর টেষ্টিং কেপাসিটি অসি ৪৬০০ ওইখি।

৮. কোভিদ ভেরিএন্টশিং খঙদোক্লবগীদমক্তা হোল জিনোম সিক্বেন্সিং অসি চাং নাইনা পাঙথোকই। কোভিদ ভেরিএন্টশিং মশক খঙদোক্লবা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিসোর্সেস এণ্ড সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট, ইম্ফালদা সেম্পল ২০০০ রোম চাংয়েং তৌখি। রাজ্য অসিগী মপান্দনা জিনোম সিক্বেন্সিং তৌননবা সেম্পল ৪২০০ হেনবা থাখি।

৯. হৌখিবা চহী অমসিদা, মথৌ তৌরিঙৈদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা হেল্থকিয়ার ৱার্কশিংগী ইমুং ৫দা পিঃএম গরিব কলয়ান পেকেজগী মখাদা ইমুং অমদা লুপা লাখ ৫০ /৫০ পীখি।

১০. হৌজিক ফাওবদা, 'চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং' গী মখাদা ইমুং লাখ ৫.২২ এনরোল তৌখ্রে। হৌখিবা চহীদা, লুপা কোটি ৩১.৩২ গী শেনফম ওইগদবা কেসলেস হোস্পিটেলাইজেসন ৩০,৪১৪ তৌহনখ্রে। আয়ুসমান ভারত-প্রাইম মিনিষ্টর জন আরোগ্য যোজনাগী মখাদা বেনিফিসরি ৩.৯৬ এনরোল তৌখি। স্কীম অসিগী মখাদা

লুপা কোটি ২৩.৮৭গী শেনফম ওইবা কেসলেস ট্রিটমেন্ট ১৯৪০৩ হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখি।

১১. তমেংলোং অমদি উখ্রুলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং অসি হৌজিক্কী ফমুং ১০০ লৈবা হোস্পিটালদা ওনখৎলে। বিষ্ণুপুরদা ট্রোমা ক্যার সেন্তর শঙ্গাখ্রে। জেনিমসতা ফমুং ১৫০ লৈগদবা কেন্সর হোস্পিটাল শাননবা উরেপ উযুং তমখ্রে।

১২. লাইচৎ মনুংদা ঐচঃআইঃভি গা লোয়ননা হিংলিবশিংদা অতৎ-অখম লৈতবা মতেং অমদি সপ্পোর্ট সার্ভিস ফংহন্নবগীদমক্তা, এঃআরঃভি দিসপেন্সিং অসি দিসেন্ত্রেলাইজ তৌখ্রে। ভাইরেল লোদ কেম্পশিং ওর্গনাইজ তৌখি অমদি মরী লৈনবা এঃআরঃটি সেন্তরশিং হাংদোকখি।

## লো এণ্ড ওর্দর অমদি জষ্টিস দেলিভরি

১৩. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা রাজ্য অসি সেক্যুরিটিগী ফিভম অসি মপাঙ্গল কনখৎহনদুনা অমদি ফিভম ফগৎহন্দুনা লাক্লি।

১৪. ২০২১দা, কাউন্টর-ইন্সরজেন্সিগী খোঙথাংদা, সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এক্সট্রিমিষ্ট ২৩৪ ফাখি অমদি ১৫ অমনা নিউট্রেলাইজ তৌখি। এনঃএসঃএ গী মখাদা মীওই ১৪ ফাখি অমসুং ইউজি কাদর ২০ সরেন্দর তৌখি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎলাই ১৬৭, মরূ ৩,১১৫, আইঃইঃদি ২৫৩, লেথোদ বোম্ব ২৭ অমদি দিটোনেটর মশীং ৩৬০ ফাগৎপা ঙমখি।

১৫. ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা 'ৱার ওন ড্রগস' চৎথরি। ইং ২০২১দা, হিরোয়িন কিলোগ্রাম ৮৭, ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ১,৩২০, ওপিয়ম কিলোগ্রাম ৫০৫ অমসুং লিটর ৮০, চাওরাক্লা টেব্লেট লাখ ১০ অমদি কিলো ৬৪ হেনবগীদব্লিউৱাই (এমফিটামিন) কয়া ফাগৎপা ঙমখি। এনঃদিঃএণ্ড পিঃএস এক্টকী মখাদা কেস ৪২ রেজিষ্টর তৌখি অমদি ২০ অমদা দিসপোজ তৌখি।লম একর ৩,৪২৪ আইন কায়না পোপ্পি থারম্বা য়াম্থৎতুনা মাঙ-তাকহনখি।

১৬. ইং ২০২১গী মনুংদা, এফঃআইঃআর কেস ৩,১৫৬ রেজিষ্টর তৌখি অমদি ক্রিমিনেল কেস ২,১৪৩না দিসপোজ তৌখি। নুপী অমদি অঙাংদা চথবা সেন্সিটিভ কেসশিংদনা অহেনবা মিৎয়েং চঙখি।

১৭. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ঐখোয়গী থৌনা ফরবা পুলিসশিংবু নীংশিংনবা, ফার্ষ্ট বটালিয়ন মণিপুর রাইফলস কমপ্লেক্সতা পুলিস মেন্যুমেন্ট অমা শাবা লোইশিন্দুনা শঙ্গাখ্রে।

১৮. পুলিস এদমিনিষ্ট্রেসন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, সেনাপতিদা মরাম পুলিস ষ্টেসন হাংদোকখ্রে। লুইচোং, মাইফৈ, ওইনাম সওম্বুং, বাসিখোং কাজিপাৎ তা পুলিস আউটপোষ্টশিং হাংদোকখ্রে অমসুং কোংবা ইরোংদা ভিঃদিঃএফ পোষ্ট হাংদোকখ্রে। নৌনা হাংদোক্লিবা ১০শুবা অমদি ১১শুবা আইঃআরঃবি বতালিয়ানগী খূৎলাইশিং লৈনবগীদমক্তা লুপা কোটি ১৫.৭৭ ওর্দিনান্স ফেক্তরিশিংদা কাইথখ্রে।

১৯. পুলিস অমসুং রেলৱেগী ইমরজেন্সি নম্বর '১০০' অসি ইমরজেন্সি রেস্পোন্স সপ্পোর্ট সিষ্টেমগা পুনশিনখ্রে। চাওরক্লা কোল লাখ ১.৪ লাকখি, মসিগী মনুংদা ৬৬৪ এক্সন লৌখৎপা য়াবা ওইনা রেজিষ্টর তৌখি।

২০. চহী অসিদা, মণিপুর ভিক্তিমস কম্পেন্সেসন স্কীমগী মখাদা এক্সট্রিমিষ্ট এক্সনদা ভিক্তিম ওইহৌরবা ইমুং মনুংদা কমপেন্সেসন ওইনা লুপা কোটি ১.০৮ পীখি।

২১. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, দিভেলপমেন্ট ওফ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফোর জুদিসিএরিগী স্কীমগী মখাদা, বিষ্ণুপুরগী ফেমিলি কোর্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি থম্নবা বিষ্ণুপুর কোর্ট কমপ্লেক্সতা এনেক্সী কোর্ট বিল্ডিং অমা শঙ্গাখ্রে। ককচীং, সেনাপতি অমদি নোনেদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সশিং শাননবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

২২. লাইচৎনা মরম ওইদুনা কোর্টকী প্রোসিদিং অয়াম্বা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকখি। দিজিটাইজেসন তৌননবগী খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা, কেস রেকোর্দকী লমায় লাখ ৪৫ অসি স্কেন তৌখি অমদি ভেরিফাই তৌখি। ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা কোর্ট ৩৪দা সিসিটিভি কেমেরাশিং পানখ্রে।

**ফাইনান্স অমদি প্লান্নিং**

২৩. ওনরেবল মেম্বরশিং, লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা রিসোর্স মোবিলাইজেসন তৌবদা অৱাবা মায়োক্নরবসু, ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা গভর্নমেন্ট এক্সপেন্দিচর অসি হেনগৎহন্নবা হোৎনৈ নত্তগা য়ামদ্রবদা লাইচৎ মমাঙদা লৈরম্বা মওং অদুদা অদুমক থম্নবা হোৎনরি। শেনবা চহী ২০১৯-২০দা লুপা কোটি ১৭,১৬৫ গী অপূনবা চাদিং লৈরম্বা অদু শেনবা চহী ২০২০-২১দা লুপা কোটি ২২,৪৬৫দা হেনগৎখি।

২৪. ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা হেল্ট সেক্তরগী ফণ্ডিংদা চাউনা হেনগৎহনখি। শেনবা চহী ২০২০-২১দা হেল্ট এণ্ড ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি ২,০৯৭ ওইখি, মসিগী মনুংদা চাদা ৫৫দী কেপিটেল এসেটশিং শেম্নগীদমকনি।

২৫. পিঃএফঃএমঃএস কী অনৌবা এসঃএনঃএ মোদেলদা ওনখৎপা অসি লৈবাক অসিদা মণিপুরনা খ্বাইদগী ইহান হানবা রাজ্য ওইরে। ঐহাক্কী লৈঙাক্কী হোৎনজন্না, সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীম, এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিং, মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগী প্রোজেক্টনচিংবশিংগী ফণ্ড ফ্লোগী অপূনবা অসি শেনবা চহী ২০২০-২১গী ওইনা লুপা কোটি ৪,১৮২ ওইদুনা হৌখিবা চহীদগী মশক থোক্না চাদা ৩১ হেনগৎখি।

২৬. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ইকোনোমিদা মল্টিপ্লায়র ইফেক্ট লৈবনা ঐহাক্কী লৈঙাক্না কেপিটেল এক্সপেন্দিচরদা অহেনবা মিৎয়েং থম্লি। শেনবা চহী ২০২০-২১গী মনুংদা, কেপিটেল আউটলেগী এক্সপেন্দিচর অসি মমাংগী চহীদগী চাদা ১১১ হেনগৎতুনা লুপা কোটি ২,৪৩৯ ওইখি। ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা শেনবা চহী ২০২০-২১দা লৈবা কেপিটেল আউটলে অসি শেনবা চহী ২০২১-২২দা হেনগৎনবা হোৎনরি।

২৭. নোর্ট ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী শেন্থং মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়ামরুম পায়খৎলি। বিষ্ণুপুর-নুংবা লম্বী শেমগৎপা অসি লোইশিল্লে। উখ্রুলগী রামরৈ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ দুসেরাগী ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টশিং লোইশিল্লে। ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা তমুখোংগী ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট লোইশিল্লক্কদৌরে। পার্বুংদা শেমগৎপা মিনি ষ্টেদিয়ম শাবা লোইরে অমদি সেনাপতি পব্লিক গ্রাউন্দদা শেমগৎলিবা অসি খুমাং য়াঙশিল্লি। লুপা কোটি ৩৬.১৯ গী শেনফম ওইবা, এগ্রিকলচর অমদি এলাইদ

সেক্তরগী প্রোজেক্ট মঙা অমসুং ইরিগেসন এণ্ড ৱাটরসেদ সেক্তরগী প্রোজেক্ট ১ পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি।

২৮. বোর্দর এরিয়া দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা, ২০২১-২২গী মনুংদা, থবক নিপান লোইশিনবা ঙমখ্রে। মসিগী মনুংদা ওঝাশিং অমদি হেল্ট ফঙ্কসনরিশিংগী রেসিদেন্সিএল ক্বার্টরশিং, সসপেন্সন ব্রিজ অমসুং মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেল য়াওরি।

২৯. প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চায়ি ৱাটরসেদ যোজনাগী মখাদা, চহী অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা ৱাটর হার্ভেষ্টিং অমদি ইরিগেসনগী ষ্ট্রকচরশিং পায়খৎখ্রে। সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৩১ শেমগৎখ্রে অমদি খুঞ্জা ৬৬না কান্নবা ফংখ্রে। পি এম কে এস ৱাই ২.০গী ৱাটরসেদ দিভেলপমেন্ট কম্পোনেন্টকী মখাদা মণিপুরগী ওইনা লম হেক্তর ৫৮,৬৯০ কোনশিন্নবা প্রোজেক্ট ১৩ এপ্রুভ তৌরক্লে।

৩০. নোন-লাপসেবল সেন্ত্রেল পুল ওফ রিসোর্সেসকী মখাদা লুপা কোটি ১,৭৯২গী শেন্থংগা লোয়ননা, প্রোজেক্ট ১৭৫ পায়খৎখ্রে, মসিগী মনুংদা ১৫২ হৌজিক লোইশিনখ্রে।

৩১. নোর্ঠ ইষ্ট স্পিসিএল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট স্কীমগী মখাদা, লুপা কোটি ৩১৭কী শেনফম ওইগদবা প্রোজেক্ট ১৪ সেঙ্কসন তৌরকখ্রে।

৩২. তমেংলোং অমদি নোনে জিল্লাশিংদা হিল এরিয়া দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা, লুপা কোটি ৯৮ চঙনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ৪১গী মনুংদা প্রোজেক্ট ১৬ লোইশিল্লে।

৩৩. ২০১৭-১৮দা মণিপুর ষ্টার্ট-অপ স্কীম হৌদোকখিবদগী, লুপা কোটি ১০৮.০৫ রোমগী সবসিদি গ্রান্ট পীনবগীদমক ষ্টার্টঅপ ৫৭৭২ হেনবা খনখ্রে। মসিগী মনুংদা সবসিদি কম্পোনেন্ট অসি লুপা কোটি ৫৬২৮নি। ষ্টেন্দঅপ মণিপুর অসি সমাজদা শোথহৌরবা সেক্সনশিংদা গ্রিনফিল্ড ভেনচরশিং পায়খৎপা ঙমহন্নবগীদমক্তা হৌদোকখিবনি। লাইচৎনা মরম ওইদুনা পিক্কা বিজিনেস তৌবশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অদু কোক্লনবা আইদিয়া ষ্টেজগী মখাদা সব কেটাগোরি অমসু হাপচিল্লে।

৩৪. ২০১৭-১৮দগী হৌনা, লুপা কোটি ৫৯ হেনবগী শেনফম চঙনা ৱান টাইম স্পিসিএল এসিষ্টেন্স ওফ সেন্ত্রেল প্লন স্কীমগী মখাদা দোক্তর অমদি ওঝাশিংগীদমক ট্রাঞ্জিট একোমোদেসন ১৯ চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা শাবা লোইখ্রে।

**ত্রাইবেল এফিয়ার্স, মাইনোরিটি এণ্ড এসসি এণ্ড ওবিসি ৱেলফিয়ার**

৩৫. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ঐহাক্কী লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা ফেমিলি–ওরিয়েন্টেদ প্রোগ্রামশিংগী মখাদা এসঃটি ইমুং ১,৭০৮ দা মতেং পীখ্রে অমসুং ত্রাইবেল নুপীশিংগী ওর্গনাইজেসন ১০০দা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পাঙথোক্লবসু মতেং পীখ্রে। এসঃটি ইমুং ১,১৯৬তা মখোয়গী লৈননবা য়ুম কুপ্লবগীদমক্তা জিঃসিঃআই সিট পীখ্রে। পূন্না এসঃটি মহৈরোয় ৫১,৪৮৮দা প্রি অমসুং পোষ্ট মেত্রিক স্কোলার্সিপ ফংহনখ্রে। ইং ২০২১–২২গী মনুংদা, স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ত্রাইবেল নহা ১১৫দা খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

৩৬. মীওই ১৫০ লৈবা য়াবা ত্রাইবেল বোইজ হোষ্টেল অমসু অদিমজাটি শিক্ষা আশ্রম কমপ্লেক্সতা শারি, অথুবদা লোইনবা পান্দম থল্লি।

৩৭. হকশেলগী লমদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মখাদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্টগী শরুক অমা ওইনা, চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ৬তা নোংমদা সিলিণ্ডর ২০০ হানবা য়াবা পিঃএসঃএ ওক্সিজেন জেনেরেটর প্লান্টশিং খিনখ্রে। ১৫শুবা ফাইনান্স কন্মিসন গ্রান্টকী মখাদা চীংগী জিল্লাশিংদা শীজিন্ননবা এদভান্স লাইফ সপোর্ট এমবুলেন্স ৬ অমদি বেসিক লাইফ সপোর্ট এমবুলেন্স ১২ লৈখ্রে।

৩৮ ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিং, ওঃবিঃসি অমদি এসঃসি কম্যুনিটিশিংগী য়াইফনবা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি।

৩৯. বাবু জগজিৱন রাম ছত্ত্ৰৱাস যোজনা অমসুং স্কীম ফোর কন্স্ট্রক্সন ওফ ওঃবিঃসি বোইজ এণ্ড গর্লস হোষ্টেলগী মখাদা লুপা কোটি ২৮.০০ চঙনা এসঃসি অমদি ওঃবিঃসি মহৈরোয়শিংগী হোষ্টিল ৪/৪ শারি।

৪০. প্রধান মন্ত্রি আদর্শ গ্রাম যোজনা (পিঃএমঃএঃজিঃৱাই) গী মখাদা, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম অমদি থৌবাল জিল্লাগী এসঃসি খুঙ্গং ১৬তা তোঙান তোঙানবা দিভেলপমেন্টেল ৱার্কশিং লুপা কোটি ৩.৩২৮ কাইথখ্রে।

৪১. মাইনোরিটিজ, ওঃবিঃসি, এসঃসি অমদি ইকোনোমিকেল্লি বেকৱার্দ ক্লাসেসশিংগী স্কোলার্সিপ স্কীমশিংগী মখাদা, ২০২১–২১দা মহৈরোয় ৮৭,৫৫৫তা লুপা কোটি ৫৪.২০ গী স্কোলার্সিপ পীখি।

৪২. প্রাইম মিনিষ্টর্স জন ৱিকাস কার্য়ক্রম (পিঃএমঃজেঃভিঃকে) গী মখাদা, চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৮ শেমগৎপা, হুনার হব ৩, শিরুই ফেষ্টিভেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা অমসুং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম শেমগৎনবা প্রোজেক্টশিং অসিগী অপূনবা শেনফম লুপা কোটি ১৭২ রোমগী অয়াবা ভারত সরকারনা পীরকখ্রে। চহীদুগী মনুংদা প্রোজেক্ট ৭২না উরেপ উয়ুং তমখ্রে অমদি প্রোজেক্ট ৬৪না শঙ্গাখ্রে।

৪৩. ২০২১-২২গী মনুংদা স্কীম ফোর স্পিসিএল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেট ফোর কেপিটেল এক্সপেন্দিচরগী মখাদা থৌবাল জিল্লাগী লিল্লোংদা লুপা কোটি ১০ চঙনা হজ হাউস অমা শারি।

## ফুদ সেক্যুরিটি

৪৪. নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা, রাজ্য অসিগী ফ্যের প্রাইজ সোপশিং ওটোমেসন তৌবা অমদি রাজ্য অসিগী লৈরিবা রাসন কার্দশিং খুদিংমক চাদা ১০০ আধারগা শম্নহনবা ঙমহনখ্রে। বেনিফিসরিশিংগী হকশিং অসি ঙাক্লবগীদমক্তা ষ্টেট কিন্মিসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমর ফোরমশিং মথৌ তৌরি।

৪৫. প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কলয়ান যোজনাগী মখাদা, অন্টোদয়া অমদি প্রাইয়োরিটি হাউসহেল্ডশিংগী মনুং চন্না লৈবা বেনিফিসরিশিংদা কোরোনা ভাইরসনা পীবা চৈথেং অদুদগী খরদসু ওইরবসু কোকহন্নবা অহেনবা চেঙ কিলো ৫/৫ মীওই অমমম্দা থা খুদিংগী পীখি।

৪৬. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, উজ্বালা ১.০ গী মখাদা, ইমুং লাখ ১.৫৯লেম্না এলঃপিঃজি কন্নেক্সন ফংহনখ্রে। উজ্বাল্লা ২.০গী মখাদনা, হৌজিক ফাওবদা বেনিফিসরি ১৯,০৮৪না কান্নবা ফংখ্রে।

## ইজুকেসন

৪৭. ওনরেবল মেম্বরশিং, ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা রাজ্য অসিগী ইজুকেসন সেক্তর অসি মপূং ফানা ফগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি।

৪৮. স্কুল ফগৎহনসি মিসন অসি গর্ভনমেন্ট স্কুলশিংবু ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা অদু মেনশিন্দুনা ফগৎহন্নবা পায়খৎখিবনি। গভর্নমেন্ট হায়র সেকেণ্ডরি স্কুলশিংগী হেনগৎলক্লিবা তঙাইফদবা অসি ফংহন্নবা হায় স্কুল ৭ হায়র সেকেণ্ডরিগী থাক্তা ওনখৎখ্রে।

৪৯. চহী অমগী মনুংদা লৈরিবা ৱার্কিং দেজশিংদা মহৈরোয় লাখ ১.৭তা দ্রাই-রাসন পীদুনা স্কুল ৩,২৮০ পিঃএম-পোসন স্কীমগী মখাদা কোনশিনখ্রে।

৫০. মিরিট স্কোলার্সিপ স্কীমগী মখাদা ক্লাস টেন পাস তৌরবা মহৈরোয় ৫৩৭তা লুপা ৬০০০/৬০০০ অমদি ক্লাস তুয়েলভ পাস তৌরবা মহৈরোয় ১৪৬তনা লুপা ১২০০০/১২০০০ পীখ্রে।

৫১. কোভিদ-১৯ লাইচৎনা পীরকপা অথিংবা অদুনা, মণিপুরগী গভর্নমেন্ট অমদি গভর্নমেন্ট এদেদ কলেজ ৪৫দা লেপ্তনা মহৈ-মশিং তাকপী-তম্বীনবা, মুদল লর্নিং মেনেজমেন্ট সিষ্টেম কৌবা ৱেব বেজ দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমা হৌদোকখ্রে।

৫২. **চিফ মিনিষ্টর্স কলেজ মহৈরোইজ ই-সপোর্ট স্কীম**গী মখাদা, মহৈরোয়শিংবু দিজিটেল লর্নিং ফংহন্নবগীদমক্তা লৱার ইনকম গ্রুপতা চনবা মেরিটোরিয়স কলেজ মহৈরোয়শিংদা মোবাইল হেণ্ডসেট য়েম্থোকখ্রে।

৫৩. মণিপুরগী কলেজশিংদা মহৈ-মশিং নীংথিনা তম্বীনবা অমদি ই-ওফিস রোলআউট তৌননবা ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা য়ুনিভর্সিটি এণ্ড হায়র ইজুকেসন দিজিটেল সপোর্ট স্কীম কৌবা স্কীম অমা হৌদোকখ্রে।

৫৪. ২০২১-২২গী সেসন্দগী হৌদুনা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিদা এমঃবিঃএ কোর্স তম্বীবা হৌখ্রে।

**পৱার সেক্তর**

৫৫. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ঐহাক্কী সরকারনা রাজ্য অসিদা অফবা অমদি লেপ্পা লৈতবা মৈ পীনবা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি।

৫৬. পীরিবা ভোলটেজদা 'সিলচর-ইম্ফাল' অমদি 'ইম্ফাল-নিউ কোহিমা-নিউ মারিয়ানি' গী কিলো ভোল্ট ৪০০গী দি/সি ট্রান্সমিসন লাইন চলাইবা হৌখ্রবা মতুংদা, ইন্টরষ্টেট ট্রান্সমিসনগী এভাইলেভল ট্রেন্সমিসন কেপাসিটি (এঃটিঃসি) অসি মেগাৱাট ২,০০০ দা খঙহেন হেনগৎলে অমদি মসিনা রাজ্য অসিদা মথংগী চহী ১০দগী ১৫ ফাওবা দরকার লৈবা মৈ অদু পীবা ঙম্লগনি।

৫৭. হৌখিবা চহীদা, থৌবালদা ৪০০/১৩২কেভি সবষ্টেসন অমা অমদি ৩৩/১১কেভি সবষ্টেসন নিপান অমগসু মথৌ তৌবা হৌখ্রে।

৫৮. নোর্ঠ ইষ্টর্ন পৱার সিষ্টেম ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্টকী মখাদা, য়াইঙংপোকপী-কোংবা-থৌবাল-ককচীংগী ১৩২ কেভি লাইনগী অনিশুবা সর্কিট তিংবা অমদি কোংবদা অহেনবা এমভিএ ২০গা লোয়ননা ১৩২/৩৩ কেভি সবষ্টেসন অমা চলাইবা হৌখ্রে।

৫৯. কোংবা, য়াইঙংপোকপী অমদি হুন্দুংদা লৈবা ১৩২কেভিগী সবষ্টেসনশিংদা থৌবালগী ৪০০/১৩২ কেভি সবষ্টেসন্দগী মৈ চাং ৱাংনা থাবা য়ানবা ১৩২কেভি লিঙ্ক ট্রান্সমিসন লাইনসু তিংবা লোইখ্রে।

৬০. পৱার সবষ্টেসন মরিদা ১১কেভিগী লেভেলদা পৱার সপ্লাই তৌবা রিএল টাইল মেনেজমেন্ট তৌবা ঙম্নবা ওটোমেটেদ দিমাণ্ড মেনেজমেন্ট স্কীম পানখৎপা লোইখ্রে।

৬১. হৌজিক হৌজিক ৩৩/১১ কেভি সবষ্টেসন ২৬ অমদি ১৩২/৩৩ কেভি সবষ্টেসন ২ শাগৎলি। মথংগী চহী মঙা অসিদা ট্রান্সমিসন কেপাসিটি শরুক অনী হেনগৎহনবা ঙম্নবা লুপা কোটি ৪১১ চঙনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ১৩২ কেভি রিং মেন দবল সর্কিট অমদি ইম্ফালগী এরিয়াদা লৈরিবা মরুওইবা ৩৩কেভিগী ট্রান্সমিসন লাইনশিং অসি হাই টেম্পরেচর লো সেগ (ঐচঃটিঃএলঃএস) কন্দক্তরশিংনা শিন্দোকপা হৌরে।

৬২. দিঃদিঃইউঃজিঃজেঃৱাই নিউ অমদি আইঃপিঃদিঃএস স্কীমশিংগী মখাদা, দিষ্ট্রিব্যুসন ট্রান্সফোর্মর ১৭৯, ১১কেভি ঐচঃটি লাইন কিলোমিটর ৬৭ অমদি এলঃটি এরিয়েল বঞ্চ কেবলশিংগী কিলোমিটর ৬৭১ শাংবা অসি হৌখিবা চহী অমসিদা শেমগৎপা ঙমখ্রে।

৬৩. উজালা স্কীমগী মখাদা, হৌজিক ফাওবদা অতাবা মমলদা এলঃইঃদি বল্ব ৪,১৮,৪৮৪ য়োনখ্রে।

৬৪. রাজ্য অসিগী মরুওইবা মফমশিংদা মৈ ঙালহন্নবা, হাই মাষ্ট ৬২ য়ুংখ্রে অমদি মিটর ৮ ৱাংবা এলঃইঃদি স্ট্রিট লাইট ১,১৪০ পানখৎপগী থবক কন্না চখ্থরি।

৬৫. ইং ২০২৪–২৫দা চাদা ১৫দা হন্থগনি পারিবা অসিদগী ইং ২০২১–২২গী ওইনা এটি এণ্ড সি গী লোস অসি চাদা ২০.৪৩ ওইরে। এটি এণ্ড সি লোস হন্থনবা, শেনবা চহী ২০২১–২২গী মনুংদা কঞ্জ্যুমর বেজ লাখ ৫.০২ লৈবগী মনুংদা প্রিপেদ ইনর্জি মিটর ৩.৭৮ পানখ্রে।

৬৬. ওফ গ্রিদ অমদি দিসেন্ত্রেলাসজ এসপিভি প্রোগ্রামগী মখাদা, তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এলঃইঃদি সোলর স্ট্রিট লাইটিং সিস্টেম ৮,৮৫০ হৌখিবা চহী অমসিদা পানবা ঙমখ্রে।

৬৭. স্কুল চৎলিবা অঙাংশিংদা এলঃইঃদি সোলর ষ্টদি লেম্প ৬০,৬৬৪সু য়েন্থোকখ্রে।

৬৮. ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল ইনর্জি প্রোগ্রামগী মখাদা, সোলর স্ট্রিট লাইটিং সিস্টেম ৯৮ চহীসিগী মনুংদা পানখ্রে।

**এগ্রিকলচর অমদি মরী লৈনবা এক্তিভিটি অমসুং নেচরেল রিসোর্সশিং**

৬৯. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, প্রধান মন্ত্রি কিষাণ সম্মান নিধি যোজনা স্কীমগী মখাদা, লৌমী লাখ ৬.১৯ এনরোল তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লুপা কোটি ৫০১ থাদোকখ্রে।

৭০. ইং ২০২০–২১দা মহৈ-মরোং লোকপগী চাং চাদা ১৪৮.০৮ ওইখিবদগী ইং ২০২১–২২দা চাদা ১৫৭.১৪ ওইগনি পারি।

৭১. প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চায়ি যোজনা — পর দ্রোপ মোর ক্রোপ কী মখাদা, হেক্তর ৩,০৮৮দা অহেনবা ইরিগেসন পীননবগীদমক্ত ৱাটর পম্প সেট ৩,০৮৮ লৈনবা সবসিদিশিং দিঃবিঃটি গী খুখাংদা য়েন্থোকখ্রে। মখা তানা, ৱাটর হার্ভেষ্টিং ফেসিলিটি